# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 03-01-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) হান্নগী হোম সেক্রেটরি আজয় কুমার ভল্লা ঙসি মণিপুরগী রাজ্যপাল ওইনা ৱাশক লৌরগনি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুর জিলাদগী খুৎলায় কয়ামরুম ফারে। মণিপুর রাইফলসকী রাইফলমেন অমা ড্রগকা কোন্ননা ফারে।

অমসুং

৩) কেন্দ্রনা হায়রি- হৌখিবা চহি ১০ অসিদা লৈবাক অসিদা থবক পীবগী চাং চাদা ৩৬ হেনগৎখি।

**------**

রাজ্যপাল (এল)ঃ হান্নগী হোম সেক্রেটরি আজয় কুমার ভল্লা ঙসি মণিপুরগী রাজ্যপাল ওইনা ৱাশক লৌরগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম ইম্ফালগী রাজ ভবনগী দরবার হোলদা অয়ুক পুং ১০ মখায়দা পাঙথোক্কনি। মহাকপু হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস, জষ্টিস দি. কৃষ্ণকুমারনা থবক পায়বগী ৱাশক লৌগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ, মহাক্কী মন্ত্রি মন্দল, এম.এল.এলশিং, সিভিল অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াগনি।

শ্রী আজয় কুমার ভল্লা, ১৯৮৪ বেটচকী অসাম-মেঘালয়গী আই.এ.এস. কাদরনি। মহাক কেন্দ্রগী হোম সেক্রেটরি ওইনা ২০১৯ গী আগষ্ট থাদগী চহি মঙারোম থবক পুরম্মী।

মণিপুরগী রাজ্যপাল ওইনা ৱাশক লৌরগদবা শ্রী আজয় কুমার ভল্লা ঙরাং ইম্ফালদা থুংলরে। মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না লুচিংদুনা মহাকপু তরামা ওকপগী থৌরম অমা ঙরাং রাজ ভবনদা পাঙথোকখি।

পুলিস (এল)ঃ মণিপুর পুলিসনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুন্নবগী থবক লেপ্তুনা চখরি।

মণিপুর পুলিসনা সোসিয়েল মিদিয়দা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- চুরাচান্দপুর জিলাগী সাইবো খুলগী উমংদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুন্নবগী থবক চথুবদা মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর অমা, কন্ত্রি মেদ এস.বি.বি.এল অহুম, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অনি, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু অহুম অমসুং এস.বি.বি.এলগী কাপ্পা য়ারিবা মরু মরি ফাগৎপা ঙমখি। ককচিং জিলাগী বিজয়পুর মথক লৈকাইদগী ঙরাং কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমা ফাগৎপা ঙমখি। মঙোনদগী মোবাইল ফোন অমা ফংবা ঙমলে।

মরক অসিদা, নেসনেল হাইৱে থার্তি সভেন অমসুং নেসনেল হাইৱে-টুদা অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা তঙাইফদনা চংবা পোৎলম পুবা গাড়ি ২৩২ অমসুং গাড়ি ৩ পুশিল্লকখ্রে হায়রি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম কয়াদা চংদুনা থি হুন্নবগী থবকসু চথুখি।

অমরোমদা, ককচিং জিলাগী পল্লেল-চান্দেল লম্বীগী পল্লেল মমাং লৈকাইদগী মীওই অমা দব্লিউ.ৱাই.টেব্লেৎ কিলোগ্রাম ১০ গ্রাম ২ গা কোন্ননা ফারে। ফারবা মীওই অসি মণিপুর রাইফলসকী রাইফলমেননি হায়রি।

ককচিংগী কম্মান্দো টিম অমনা ঙরাং দব্লিউ.ৱাই টেব্লেৎ ফাখিবা অদুবু মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি। সোসিয়েস মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- খোংজোম পোষ্টতা লৈবা সি.আই.দি(এস.বি)দা এটেষ্ট তৌদুনা লৈবা ফার্ষ্ট এম.আরগী রাইফলমেন অমা ড্রগকা কোন্ননা ফাখিবা অসিনা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংগী মরক্তা ড্রগ করবার তৌবা য়াওরে হায়বদু উৎলে।

বোদি (এল)ঃ মণিপুর বিধান সভাগী গেট নম্বর-টুগী মায়োকবা লিলাসিংহ খোংনাংখোঙদগী ঙরাং অয়ুক পুলিসনা নুপাগী অশিবা হকচাং অমা লৌখৎলে। ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী ও.সিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মীওই অদু ফুট ৫ ইঞ্চি ৩ ৱাংই, কুচু মুই, মশা পায়, অমুবা মচুগী জোগ্গিংগী ফুরিৎ অমসুং খোঙগ্রাউ শেৎলি। মরী মতাশিংনা হকচাং মশক খঙদোকবা চেরোল অদুনা খঙহল্লি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ঙরাং তেংনৌপল জিলাগী মচিদা খুলগী খুল্লাকপশিংগা সেক্যুরিতিগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মচি সব-দিভিজনগী খুল্লাকপা ১২ রোমনা শরুক য়াখিবা মীফম অদুদা লমদম অদুদা লৈরিবা জাতিশিং য়াইফনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

য়ুনিভর্সিতি (এল)ঃ নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেকোলোজি (নৈলিট)পু দিম য়ুনিভর্সিতি ওইবগী থৌরম অমা ঙসি গুৱাহাতিদা কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং অমদি ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং ইনফোর্মেসন টেকোলোজি মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা হৌদোক্লগনি। থৌরম অসি ইম্ফাল সেন্তরনসু ওন লাইনগী খুত্থাংদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা মন্ত্রিনা কোক্রাঝারদা টেন কিলোৱাটকী এফ.এম ত্রান্সমিতর অমা হৌদোক্কনি। মসিগী মথক্তা গুৱাহাতি-নোর্থ লখিমপুর জন সতাব্দি এক্সপ্রেস, তিন্সুকিয়া-নহার লাগুন এক্সপ্রেস, গুৱাহাতি-নিউ বোংগাইগাউ পেসেঞ্জর রেলগাড়ি হৌদোক্কনি।

থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি পবিত্রা মার্গেরিতা, অসামগী রাজ্যপাল লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়া, মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মা শরুক য়াগনি।

স্পোর্টস (এল)ঃ নুমিৎ মঙানি চত্থগদবা রাজ্য থাক্কী স্কুল স্পোর্টস মিট ঙসিদগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা হৌরগনি। রাজ্যগী ইদুকেসন বিভাগনা শিন্দুনা

পাঙথোক্কদৌরিবা স্পোর্টস মিট অসি এদুকেসন (এস)কী কম্মিসনার ঐচ. গ্যানপ্রকাশনা হৌদোক্কনি।

ইমপ্লোইমেন্ট ঃ সরকারনা হায়রি- হৌখিবা চহি ১০ অসিদা লৈবাক অসিদা থবক পীবগী চাং চাদা ৩৬ হেনগৎখি। লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রালয়না হায়- ইং ২০১৪ দগী ২০২৪ ফাওবদা অহেনবা থবক কোতি ১৭ হাপখি। মন্ত্রালয়না হায়- মমাং চহিদা মীওই কোতি ৪ লাখ ৬০ হেন্না থবক পীখি। মন্ত্রালয়না হায়- লৈবাক অসিদা থবক ফংহনবগী চাং চাদা ৩৬ ইং ২০১৪ দগী ২০২৪ ফাওবদা হেনগৎলক্লিবা অসি ইং ২০০৪ দগী ২০১০ ফাওবা লৈরম্বা চাদা ৭ তগী শিংথানিঙাই ওইনা হেনগৎলে। য়ু.পি.এ সরকার মতমদা ইং ২০০৪ দগী ২০১৪ ফাওবদা মীওই কোতি ২ লাখ ৯০ রোমদা থবক পীখি।

মন্ত্রালয়না থোকপা দেটা মতুংইন্না লৌউ শিংউগী লমদা থবক পীবগী চাং চাদা ১৯ হেনগৎখি। মন্যুফেকচরিংগী লমদনা চাদা ১৫ অমদি সার্ভিস সেক্তরদনা চাদা ৩৬ হেনগৎকি। মন্ত্রালয়না হায়- থবক ফংদবগী সমস্য ইং ২০১৭-১৮ দা চাদা ৬ ওইরম্বদগী ২০২৩-২৪ দা চাদা ৩.২ দা হন্থখি। গ্রেজ্‌য়েট লোইরবা নহাশিং থবক পীবগী চাং ইং ২০২৪ দা চাদা ৫৪.৮১ ওইখি। মসি ইং ২০১৩ দদি চাদা ৩৩.৯৫ ওইরম্বনি। মন্ত্রালয়না হায়- হৌখিবা চহি ৭ অসিদা চহি ১৮ দগী ২৮ ফাওবদা লৈবা নহা কোতি ৪ লাখ ৮০ রোমা ই.পি.এফ.ও য়াওখি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি দিল্লিদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংগী যাত্রা হুনগনি, খরনা শঙ্গাগনি। প্রধান মন্ত্রিনা অরবান দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট অনি- নাউরোজিনগরদা ৱার্ল্ড ত্রেদ সেন্তর অমা অমসুং সোরোজিনিনাগরদা জেনেরেল পুল রেসিদেন্সিয়েল একোমোদেসন শঙ্গাগনি।

শ্রী মোদিনা দ্বারকাদা লুপা কোতি ৩০০ চংনা শাবা সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসনগী ইন্তিগ্রেতেদ ওফিস কমপ্লেক্সসু শঙ্গাগনি। কমপ্লেক্স অসিদা ওফিসশিং, ওদিতোরিয়াম অমা, দেটা সেন্তর অমা, ৱাটর মেনেজমেন্ট

সিষ্টেম অমা অমদি অতৈ পোৎলম কয়া য়াওরি। দিল্লি য়ুনিভর্সিতিদা লুপা কোতি ৬০০ চংনা পায়খৎকদবা প্রোজেক্ট অহুমগী যাত্রাসু প্রধান মন্ত্রিনা হুনগনি। মদুগী মনুংদা একাদমিক ব্লোক অমা য়াওরি। প্রধান মন্ত্রিনা রোসনপুরাদা শাগদবা ভির সভাকর কলেজ শানবা যাত্রা হুনগনি।

ত্রিপুরা ঃ ত্রিপুরাগী মুখ্য মন্ত্রি ডাঃ মনিক সাহানা হায়রি- মহাক্কী সরকারনা শিক্ষাগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর চাওখৎহনবা অহেনবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা সমাজ অসিদা লৈরিবা অঙাং খুদিংমক মগুন লৈবা শিক্ষা ফংহন্নবা হোৎনরি। উদয়পুরদা লৈবা রামেশ ইংলিস মিদিয়ম হায়র সেকেন্দরি স্কুল লিংখৎখিবগী প্লাতিনম জ্‌বিলি থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অদুগী শিক্ষাগী লম খুদিংমক চাওখৎহন্নবা মহাক্কী সরকারনা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা লাক্লি। মসিগী মথক্তা মীফমশিং তোইনা পাঙথোক্তুনা অনৌবা শিক্ষাগী থৌশিল থৌরাং চৎনহন্নবা হোৎনরি। রাজ্য অদুদা ওজা ৱাৎপগী সমস্য মায়োকরিবা অসি থেংননবা থবক কয়া লৌখৎলে হায়রদুনা ডাঃ মনিক সাহানা হায়- সরকার অসিনা মগুন লৈবা শিক্ষা ফংহনবতা নত্তনা লাইরিক তাকপীবগী মওং মতৌ ফগৎহন্নবা হোৎনরি। লাইরবা, ত্রাইবেল জাতিশিং, মাইনোরিতিশিংগী অঙাংশিংদা মহৈ মশিংগী খুদোংচাবা ফংহন্নবসু সরকার অসিনা কন্না হোৎনরি।

বিজেপি ঃ বি.জে.পিনা ষ্টেট প্রসিদেন্ট অমসুং নেসনেল কাউন্সিল মেম্বরগী মীখলগীদমক ইলেক্সন ওফিসারশিং হাপখ্রে। ওফিসারশিং অসিগী মনুংদা কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং অমসুং দলগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং য়াওরি।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি ভুপেন্দ্র যাদবপু গুজরাতকী ইলেক্সন ওফিসার ওইনা হাপখ্রে। কেন্দ্রগী মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না করনাটক্কী ওইনা, পিয়ুস গোয়লনা উত্তর প্রদেশকী ওইনা, মনোহরলালনা বিহারগী, ধরমেন্দ্র পরধান্না মধ্য প্রদেশকী অমসুং কিরেন রিজিজ্‌না সিক্কিমগী ওইনা হাপখ্রে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

এ.কে. ভল্লা ঙসি গভর্নর ওইনা ৱাশক লৌরগনি, কে.এন.এফ-পিগী লুচিংবা তাইগরগী মথক্তা এন.আই.এনা থিগৎপা হৌখ্রে, নেসনেল স্পোর্টস এৱার্দ ২০২৪ পীনবা খনগৎপদা মণিপুরগী অমত্তা য়াওদ্রে হায়বা পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

ভারত-ম্যান্মারগী মোরেগী ঙমখৈদা সেন্তরনা কিলোমিতর ৯ লোমগী বোর্দর ফেন্সিং খাবা লোইশিনখ্রে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

লোক্তাক্তা চাক্তারবা উচেকশিং ঙাক শেন্নবা খন্নখ্রে হায়বা পাউ অমা পোক ফম পাউচেদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

শিজ বাইও মেদিকেল ৱেষ্ট ফেসিলিতি নোংমদা কিলোগ্রাম ৩০০ লোমগী বাইও মেদিকেল ৱেষ্ট তাশিন খোমজিনবা ঙমলে হায়বা পাউ অমা পিপলস ক্রোনিকলগী এনকর কলমদা ফোংলি।

চহি হৌবা নুমিৎতা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মফম কয়াদা এটেক চথরকখ্রে, অহল ওইরবী নুপী অমা পাখৎপদগী ৱান্থরক্তুনা লৈখিদ্রে হায়বা পাউ অমা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মসিগা মান্নবা পাউদা, চহি ৭৫ শুবা নুপী অমা নোংমৈ কাপ্পা মখোল তাবদা পাখৎতুনা লৈখিদ্রে হায়বা পাউ অমা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা মরুওহবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মণিপুর রাইফলসকী রাইফলমেন অমা দব্লিউ.ৱাই.টেৱেৎকা কোন্না হায়না নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ওপোজিসন অমসুং রুল্লিংগী এম.এল.এ খরা লালহৌবদা দোনেসন পী হায়না ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা চার্জসিট ফাহল তৌরকখ্রে হায়বা পাউ অমা মণিপুর নিউজগী এনকর কলমদা ফোংলি।

এ.কে. ভল্লা ঙসি গভর্নর ওইনা ৱাশক লৌরগনি হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

কে.এন.এফ-পিগী লুচিংবা তাইগরগী মথক্তা এন.আই.এনা থিগৎপা হৌখ্রে হায়না সনালৈবাক্তা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

নেসনেল স্পোর্টস এৱার্দ ২০২৪ পীনবা খনগৎপদা মণিপুরগী শান্নরোই অমত্তা য়াওরক্ত্রে হায়না হুইয়েন লানপাউদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------